## ৱাকৎ মীফম ফমগনি

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :** অপূনবা চাওখৎ খোঙথাং লূপ খুরাইনা শিন্দুনা লাক্লিবা এপ্রিল ১ গী নুমিৎ য়ুংবদা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফমগা লোয়ননা পব্লিক এৱেয়রনেস মিটিং অমা পাঙথোক্কনি।

খুরাই অমসুং ৱাঙ্খেই এসেমব্লি কন্সটিট্যুসনদা লৈরিবা ক্লবশিং, মৈরা পাইবীশিংনা ৱাকৎ মীফম অসিদা শরুক য়ারনা ৱাফম ফোঙদোরকপগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা তুরেল খোঙনুং তেংবা অমসুং ইভিক্সন তৌরিবা অসিবু শৌগৎতুনা পাঙথোক্কদবনি হায়রি। অসিগুম্বা নুমিৎ অসিদা লূপ অমত্তনা মখল অমত্তগী বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক অমসুং ব্লোকেদনচিংবা তৌদনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :** ওল ইন্দিয়া ষ্টুডেন্টস ফেদরেসন, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেটকী জোইন্ট সেক্রেটরিগী থৌ পুরম্বা হৈক্রুজম সুরজিৎনা লৈখিদবদা এ আই এস এফ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

## লেকচর পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :** ডিপার্টমেন্ট ওফ মেথমেটিক্স মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং মণিপুর মেথমেটিকেল সোসাইটিনা পূন্না শিন্দুনা থা অসিগী ৩১ গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা ডিপার্টমেন্ট অসিগী লেকচর হোলদা লেকচর সেরিজগী অহানবা লেকচর পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুদা ঐচ জয়ন্তকুমার প্রসিডেন্ট এম এম এস অমসুং এক্স ঐচ ও ডি মেথমেটিক্স ডি এম কোলেজ ওফ সাইন্সনা মণিপুরী টেক্নিকেল ট্রমিনোলোজি ওফ মেথমেটিক্স এন্দ ফিজিক্স হায়বা হীরম অসিদা ৱা ঙাংগনি হায়রি।

## ‘লাল্লে হায়জহৌগদবনি’

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :** চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা বধবপুর ফিয়রদা ঙাংথোকখিবা কংলৈ চীংমী-তম্মীগী হৌরক্লোনগা তাইওন্নবা ৱাফমবু পেন্দবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অথুবা মতমদা লৈপাক হুপ্পা ঈহৌ লাক্তিঙৈদা কংলৈ চীংমী-তম্মীশিংদা লাল্লে হায়জহৌগদবনি হায়বা ৱাফম চজিংলাকপা পুরৈলোম্বা থৌগল লূপকী লুচিং পুরেল অঙোমচা লাইচানা ফোঙদোরক্লি।

## থৌ পুবশিং খনখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :** সোসল ডিভলপমেন্ট ওর্গনাই-জেসন (এসডিএ) পল্লেলগী স্পিসল জেনরেল বোডি মিটিং থা অসিগী ২৫ দা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা চহি ৩ গী থৌ পুবশিং খনখ্রে। ডা: এস দিপিলকুমার খোঙনাং অচৌববু প্রসিডেন্ট, এস রবি মঙাং কম্যুনিটি হোল পরেংবু জেনরেল সেক্রেটরি, এম পুনিল ময়াই লৈকাই মিল পরেংবু ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়রি।

## য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :** জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেডিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) কী জেনরেল ও পি ডি ব্লড সেম্পল কলেক্সন রুমদা থা অসিগী ২৮ গী অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা ঐচ আই ভিগা শাগোন্নদুনা হিংলিবা এ আর টি ট্রিমেন্ট চথরিবা মীওই অমদা থম্মোয় শোকহনখিবা থৌদোক অদুবু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি হায়না সাসো, ক্রিপসা সোসাইটি, কিয়র ফাউন্দেসন, য়ুনিজর মণিপুর অমসুং এম এন পি প্লসনা পূন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## খোঙজং শৌগৎকনি : পি এফ আই

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস): এম এম দল্লিয়ু ওনা থা অসিগী ৩০গী অহিং নোংয়াইদগী এপ্রিল ১গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা চথগদৌরিবা টোটেল সট দাউনদা শৌগৎকনি হায়না পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেটকী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এম ও বি সী দিপার্টমেন্ট অসি শোথদুনা লৈরবা মাইনোরিটি মুস্লিমশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎতুনা খুন্নাইদা থোং মান্ননা হিংহন্নবগীদমক অচৌবা দিপার্টমেন্ট অমনি। ঙসিগী লৈঙাক্লা কান্নবা অমত্তা ফংহন্দনা অমোৎপা কয়ানা য়োমশিন্দুনা থল্লি। অমোৎপা কয়া অসি শেংদোক্ক বগীদমক লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অমা ওইনা থা অসিগী ৩০গী অহিং নোংয়াইদগী চথগদৌরিবা টোটেল সট দাউনদা শৌগৎকনি। মীয়ামগী ফংফম থোকপা রাইট ফংনবা হোৎনবদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা তাবীদবা হায়বসি ইকায়নিংঙাইনি। লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি ৱারোইশিন পুরকপনা ফজবা ওইগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# থাং-তাগী ফিজেৎ-লৈতেংগা মরী লৈনবা সেমিনার হৌদোকখ্রে




**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :** থাং-তা লোইশঙ সনা কোনুংনা শিন্দুনা নুমিৎ হুম্নি চথগদবা থাং-তাগী ফিজেৎ- লৈতেং হায়বা হীরম অসিদা পাঙথোক্কদবা সেমিনর অমা পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভাইস চান্সেলর প্রোফেসর এন খগেন্দ্রনা হায়খি, থাং-তাগী ফিজেৎতা চৎনদুনা লাক্লিবশিং অসি হৌজিক মতমদা খেৎনবা খরা লাক্লে অমসুং অসিগুম্বা থৌওং অসিনা ফজদবা ফিভম অমদা লাকপগুম উহল্লি। থাং-তা হায়বসিদা ঐখোয়গী শক্তম তাকপা নাৎকী ওইবা চৎনরোল অমা ওইদুনা হান্নদগী লৈজরক্লবা থাং-তাগী ওইবশিংদা থম্বিরম্বশিং অসিদি ঙাক্লা চৎপা মরূ ওই। মীওইবা হায়বসি থৱাই পানবা ঙাক্তনি।

মীওইবগী মরক্তা অথোইবা ওইরিবসি মতিক-ময়াই হেল্লিবনি। ৱাখল খনবা ঙম্বা অমদি ৱাখলনা শাগৎপা মতিক-ময়াই লৈবা অদুনা মরম ওইদুনা শৈরেং অমদি ৱারীনচিংবা ইরিবনি। মমাংদা করি তৌরম্মী অমসুং তুংদা করি ওইরকপা য়াবগে হায়বসি মীওইবনা খঙবা ঙম্বগী শক্তিদা য়াওরি। লোয়ননা পূৱারী হায়বসি নীংশিংবগী মতিক-ময়াই অদুনি হায়খি।

থাং-তা হায়বসি ঐখোয়গী ওইনদি লোয়নদুনা লাক্লবনি। মরম অদুনা ম্যুজিয়ম অমসুং লাইব্রেরি হায়বসি মমাংদা লৈরম্মী। ইপা-ইপুগী মরমদগী চৎনরক্লবা কয়া অসি মখা তানা তমহন্নবা একদেমী লৈহননবা হোৎনবগী তঙাই ফদবা লৈ। অসিগুম্বা কয়া অসি তমহন্নবা ইন্সটিট্যুসন লৈহন্নবা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি লিংলম্বনি। থাং-তা হায়বসি নিংথৌ পাল্লিঙৈ অমসুং মনিং মখা তম্বা লৈবাক ওইরিঙৈ। মমাংঙৈ লাইগা মীগা শম্নরিঙৈদগী লৈরক্লবা অমনি। মীওইবনা হোল্লিবা নীংসা অমসুং মীহুলদা য়াওজরক্লবনি। হৌজিক্তি ৱাখলগী নিংখা তম্বা লৈরকপদগী ডেমোক্রেসিদা হেন্না থাজমনখিবদগী মচেৎ-মচেৎ তারক্লিবনি অমসুং ইডেন্টিটি ঙাকপদা মুক্লবা লাক্লিবনি। মরম অদুনা অমগা অমগা শরুক য়ামিন্নদুনা হিংমিন্নবা অমসুং আইডেন্টিটি ঙাক্তুনা থম্বা তঙায়ফদনা চঙই হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরম অদুগী প্রসিডেন্ট ওইখিবা থাং-তা লোইশঙ সনা কোনুংগী ভাইস প্রসিডেন্ট অঙোম রনবিরনা হায়খি, নুমিৎ হুম্নি চথগদবা সেমিনার অসি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খঙমীন্নবা য়াবা কয়া অদু খঙমীন্ননবা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুগী গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা জৱারলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদেমীগী ডিরেক্টর এল উপেন্দ্রনা হায়খি, বৈষ্ণব লাইনীং লাক্ত্রিঙৈদগী লাক্লবা লৈবাক অসিগা হৌদোকমীন্নরক্লবা থাং-তানি। মণিপুরগী কলচরদুনা মশক তাক্তুনা লাক্লবা মতুং স্পোর্টসনা খরা অমুক হেন্না মশক তাক্লকপনি। মী অমগা মী অমগা মান্নদে, থাং-তাদা পীথোরকপা, লাইরিক্তা পীথোরকপা কয়া লৈবনা মণিপুরগী পূৱারী লৈরিবনি। স্পোর্টসতি খরা থেংনা চঙলকপনি। মরম অদুনা থাং-তাগা পূশিন্নরগা য়ুনিট অমা ওইবা চঙই।

কুমজা ১৯৭১ দসু অচৌবা সেমিনার অমা পাঙথোকখি, মদুদা থাং-তাগী অচৌবা চেপ্টর অমা য়াওখি। হেন্দলুমগী কাঙবুনা ডিজাইন লৌবসু য়াওই। অদুবু মীতৌ তম্বা কয়া লৈরম্লবসু থাং-তাগী খুজেং লৈবা অসিদি কয়া মপুং ফানা তাবা ঙমদে। মরম অদুনা কলচরগী খোঙচৎতি লেপ্তুনা চৎক্কদবনি অমসুং ওর্গনাইজেসন-শিংনসু লেপ্তুনা চঙশিনসি হায়খি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনরশিংগী মরক্তা চীফ মিনিষ্টরগী পোলিটিকেল এডভাইজর ওইবা আর কে রঞ্জন্না হায়খি, আর্ট এন্দ কলচর হায়বসি থাং-তাশিং অসিদগী লৌথোক্লগবা থোরকখিবা জগোইগী মওংনি। পুং চোলোম অসিসু থাং-তাদগী লৌথোরকপনি। য়েলহৌমীশিংগী লৈজরিবা পোলো অমদি থাং-তাগী ওইবা লাইরিক্তা মচেৎ অমত্তং তম্বীনবা থম্বদা কান্নবা য়াম্না ফংগনি। তিঞ্জং-কায়জঙদবা খুন্নাই অমা ওইহনবা ঙমগনি।

## ‘জেনরেল ষ্ট্রাইক শৌগৎনবা ৱারেপ লৌরে’

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :** সেন্টরনা মাইনোরিটি পাঙলশিংগীদমক্তা থাদরকপা স্কিমশিং অশেংবা ফংফম থোকপা মীয়ামদা য়ৌহল্লিব্রা হায়বদু থীজিন্দুনা খুদম-চাংদমগা লোয়ননা মীয়ামদা খঙহল্লম্লবদি টোটল সট দাউনগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়বসি লৈরম্লোই হায়না লিলোং পোলিটিকেল য়ুনিফাইদ লিঙ্ক (লিপুল) না ফোঙদোরক্লি।

লিপুলগী সেক্রেটরি এম এ রহমন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, ষ্টেট অসিদা চহি কয়া কোংগ্রেস লৈঙাক্লা চথরম্বা নাকল নাইনা য়েংবা মীৎয়েং, চীং-তম খাইবগী মতৌ, ফুরুপ খাইবগী লৈঙাক অদু মুথৎতুনা শেঙ্গা-থুমজা লৈতবা অমদি অচান-মীয়াই নাইদবা অওনবা মণিপুর অমা পুরক্লবা এন্টি করপসন সেলনচিংবশিং লিংখৎতুনা লৈঙাক্লকপা চহি অমা মপূং ফাখ্রে।

তেল্লবা চহি অমগী মতম অসিদা এন্টি করপসন সেল লিংখৎতুনা ওফিসল কয়াবু মরালগী মতুং ইন্না ফংফম থোকপা চৈরাক ফংহনবগা লোয়ননা লোকপাল অমসুং লোক অয়ুক্তা এক্ট ২০১৩ হেন্না মপূং ফাহন্নবা থবক থৌওং কয়া চথদুনা লাক্লবসু লৈঙাক অসিগী লুচিংবনা পায়রিবা এম ও বি সি ডিপার্টমেন্ট অসিদা এম ও বি সি ডিপার্টমেন্টনা লমদম অসিদা লৈরিবা মাইনোরিটি ওইরবা মৈতৈ পাঙলশিংবু থাক ৱাংখৎহন্দুনা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগা থোং মান্ননা চাওখৎহন্নবগীদমক থাদরকপা শেলফমশিং ফংফম থোকপা মীওইশিংদা য়ৌহনবীবগী মহুৎতা ডিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসলশিং অমদি মরী লৈনবা মীওইশিংনা নাথৈদুনা হৈনথোকখ্রে হায়দুনা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ানা মেমোরেন্দম কয়া পীশিন্দুনা তকশিল্লবা ফাওবদা ঙসি ফাওবা খঙশিন উশিন্নদনা লৈথোক্লি।

পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগা মাইনোরিটি ৱেলফিয়র ডিরেক্টর অমা থমদুনা মৈতৈ পাঙলশিংগী তুংগী পুন্সিবু কন্নবা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিমক য়াম্না মরম চারবা খোঙজং অমনি, মরম অদুনা লিপুন্না খোঙজং অসিবু হকথেংননা শৌগৎনবা ৱারেপ লৌরে হায়রি।

## লেননা অমাং-অতা থোকহনখ্রবা লৌমীশিংবু তেংবাংবিয়ু: অম্পফা

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :** লিয়াই খুলদা খঙহৌদনা থা অসিগী ২৭ তা তারকখিবা অকনবা লেন্না লৌমীশিংনা থারিবা মনা-মশিংশিং অমাং-অতা থোকহন্দুনা লৌমীশিংদা অৱাবা মায়োক্লখিবা অসিগী তেংবাং পীবিয়ু হায়না ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিব ফার্মরস এসোসিএসন (অম্পফা) না ফোঙদোরক্লি।

অম্পফাগী জেনরেল সেক্রেটরি দল্লিয়ু ইনাওনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, সেনাপতি ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পৌমাই ফুরুপশিংনা খুন্দারিবা লিয়াই খুন্নৌগী মফম শীনবা থুংনা নোং-নুংশিৎকা লোয়ননা তারকপা লেন্না মনা-মশিং মরু ওইনা কোবি অমসুং আলুনচিংবা কয়া অমাং-অতা থোকহন্দুনা লৌমীশিংগা অৱাবা মায়োক্লহল্লে।

লেন তাখিবা মফমশিং অদুদা লৌমীশিংনা ফজবা এঞ্জাং নাপীশিং য়ৈথৎতুনা অমাং-অতা থোকহনখ্রে। ষ্টেট অসিগী মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা লৈয়াই খুল অসিগী অয়াম্বা মীওইশিং লৌউ-শিংউবনা মরু ওইবা শিনফম ওইবনা অৱাবা মায়োক্লরে অমসুং অচৌবা চৈথেং পীরগনি।

মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা লৌমী-শিন্নমীশিংগী লৌউ-শিংউগী পোখোকশিং অমাং-অতা থোরকপদা শেনফম খরদা ওইরবসু কুপখৎনবা লৈরিবা প্রধান মন্ত্রি ফসল বিমা যোজনা হায়বা ক্রোপ ইন্সুরেন্স স্কিম অসিগী থোইদোকপা ৱাখল- লৌশিং লৈত্রিবা মফম অসিগী লাইরবা লৌমী-শিন্নমীশিং অসিগীদমক মরী লৈনবা ডিপার্টমেন্টশিং অমসুং লৈঙাক অসিনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা তেংবাংবিনবা মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

## ঙা য়োকপগী সেমিনার পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :** নেসনল এসোসিএসন ফোর ফিসরমেন মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটনা শিন্দুনা স্কিল ডিভলপমেন্ট ওফ ফিস রিয়রিং এন্দ হায়জিনিক হেন্দলিং ওফ ফিস হায়বা হীরম অসিদা পাঙথোকপা সেমিনার প্রোগ্রামগী অনিশুবা বেটচ মোইরাং সি ডি ব্লোক্কী হাউগ্রামপাৎ ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে।

অহানবা বেটচকী সেমিনর অদু থঙ্গা ওইনাম কম্যুনিটি হোল মোইরাং সি ডি ব্লোক বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্টতা থা অসিগী ২১ দা পাঙথোকখি হায়রি।

নেসনল ফিসরি ডিভলপমেন্ট বোর্দ হায়দ্রবাদ মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর ফার্মরস ৱেলফিয়র গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা খা থিংনুঙ্গৈ গ্রাম সভাগী জিলা পরিষদ মেম্বর ওইনাম ইবোচৌবা, থাঙ্গ কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ঙামী সলাম য়াইমা অমসুং পঞ্চায়ত মেম্বর ও অমুবনা চীফ গেষ্ট, প্রসিডেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। সেনিমার অদুদা শরুক য়াখিবা ঙামীশিংদা পেন অমসুং কেজ কলচর প্রোগ্রাম লোক্তাক পাৎতা পায়খৎতুনা ষ্টেট অসিগী ঙাগী পোথোক হেনগৎহন্নবা খন্ন নৈনখি।

# কাদানা থা অহুম খুদিংগী পুথোকপা চেফোং হেল্থ ফোর ফ্যুচর ফোঙখ্রে




**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :** কোলিসন এগেন্স দ্রগস এন্দ অলকোহল (কাদা) না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক মরু ফংনা মুথৎনবা খোঙজং কয়া চথদুনা লাক্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং কাদানা পুথোকপা থা ৩ খুদিংগী ফোঙবা চেফোং হেল্থ ফোর ফ্যুচর ভোল্যুম ৱান ১৯ শুবা ইশু ঙরাং নুংথিল কোনুং মমাংদা লৈবা কাদাগী হেড ওফিসতা ফোঙখ্রে।

কাদাগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ককচিং তাবম হরিচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, তোঙান তোঙানবা লৈকাই-খুলশিংদা এৱেয়রনেস কেম্পেনগা লোয়ননা দ্রাইভ কয়া চথদুনা লমদম অসিগী তুংগী লাইবক লেপকদৌরিবা নহা ওইরিবা মীওইশিংগী খন্দুনা খুন্নাই অসিবু ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ইপাক্তগী কলহৌবা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাংনি হায়দুনা খোঙজং চঙশিল্লক্লি।

লমদম অসিগী মীয়ামদা ৱাখল্লোন-লৌশিং পীদুনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্তগী লাপথোক্তুনা মশা-মউ ফবা খুন্নাই অমা ওইনবগী পান্দমদা থা ৩ খুদিংগী পুথোকপা হেল্থ ফোর ফ্যুচর হায়বা চেফোং অসি ফোঙবনি।

থৌরম অদুদা কাদাগী প্রসিডেন্ট ইন চার্জ হিজম প্রিয়োকুমারনা চীফ গেষ্ট, কাদাগী ভাইস প্রসিডেন্ট নিংথৌজম দোরেন্না প্রসিডেন্ট অমসুং ফাইনান্স সেক্রেটরি গিটচন্দ্র মঙাংনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

চেফোং অদুগী এডিটর অনন্দ খুনে দাংবম্না থা ৩ গী ফোঙবা চেফোং অদুগী মরমদা ৱা ঙাংবদা অসুম্না হায়খি, চেফোং অসিদা হেল্থকী লমদা অমদি মেডিকেল প্রেফেসন্দা লৈরিবা ডোক্টরশিংগী আর্টিকল কয়া য়াওরি। ময়াই কাবা চিঙ্গাক্লা খুন্নাইদা পীরকপা চৈথেংগী মরমদা য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসরশিংনা ইবা ৱারেং কয়াসু য়াওরি লোয়ননা তোঙান তোঙানবা হীরমদা খঙ হৈরবা ওজাশিংগী আর্টিকল কয়াসু য়াওরি।

চেফোং অসি পুথোকপদা আর্টিকল পীবিরকখিবা অমদি মায় পাক্লা পাঙথোক্কবা হোৎনবদা মতেং পাংলকখিবা পূম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## কাছারগী উধরবোনদা খোঙজোম ডেগী থৌরম পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :** অসামগী কাছারদা লৈবা মণিপুরী ওর্গনাইজেসনশিংনা পূন্না শিন্দুনা লাক্লিবা এপ্রিল ২৩ দা খোঙজোম ডেগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

কাছারগী উধরবোনদা মণিপুরী য়ুথস কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা অখন্নবা মিটিং অমদা খোঙজোম ডেগী থৌরম পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি।

মীফম অদুদা মণিপুরী য়ুথস ফ্রন্ট অসাম, ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন উধরবোন য়ুনিট, মণিপুরী য়ুথস কম্মিটি অমসুং মণিপুরী ৱুমেন্স ডিভলপমেন্ট কম্মিটি উধরবোনগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি। লোয়ননা খোঙজোম ডে ওবজর্বেসন কম্মিটি শেমখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুদা সিলচর এয়রপোর্ট রোডকী উধরবোনগী পানগ্রামদা লৈরিবা অথৌবা মেজর জেনরেল পাউনা ব্রজবসিগী মীতমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকাই খুম্নগনি অমসুং মপূং ওইবা থৌরম পাঙথোক্লবা মতুংদা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

## মেডিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :** আই জি এ আর (সাউথ) হেড ক্বাটরগী মীৎয়েং মখাদা ২৮ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ২৯ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা হেন্ডি মণিপুর হায়বা থিমদা জৌপিদা থা অসিগী ২৬ তা ফ্রি মেডিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা খুঙ্গংশিংদা অনা-লায়েংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগী অৱাৎপা অসিগীদমক্তা জৌপি বটালিয়ন্না থৌদাং লৌদুনা লায়না কয়া লায়েংনবগীদমক্তা কেম্প অসি পাঙথোকখিবনি। ২৯ অসাম রাইফলসকী মেডিকেল ষ্টাফশিং অদু কম্যান্দেন্ট ডা: সতিসকুমারগী লমজিং মখাদা অখন্নবা টিম অমনা পাঙথোকখিবনি।

কেম্প অদুদা মীওই ১১১ রোম লায়েংখি অমসুং হিদাক লাংথকশিংসু লেম্না য়েন্থোকখি হায়রি।

অমরোমদা ২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ২৮ রাজপুটনা শিন্দুনা ফাইসাংজাংগী অকোয়বা লৈরিবা খুল ২০ রোমগা লোয়ননা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ইষ্টর সন্দেগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি হায়রি। খুলশিং অদুগী ৱাকৎ কয়াগী মরমদা খন্নবগা লোয়ননা আর্মি অমসুং মীয়ামগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অদু চেৎশিন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

## বন্দ, ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইকনা হ্যুমেন রাইট খোঙ্গাওনৈ: রবি খান

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :** মণিপুরদা মতম কয়াগী মমাংদগী মীয়াম্না য়াম্না কন্না পানন্দুনা লাক্লবা বন্দ, ব্লোকেদ অমদি জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি হন্দক মরক সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন খরনা অমুক নৌহৌননা চথরকপা অসি হ্যুমেন্ট রাইট ভাইওলেট তৌবনি হায়না খন্দুনা য়ারিবমখৈ তৌবিদনবা অতোপ্পা ডেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং ওইনা চঙশিনবীনবা হ্যুমেন্ট রাইট কাউন্সিল মণিপুর (মমাংদা ওল মণিপুর মাইনোরিটিস হ্যুমেন্ট রাইট কাউন্সিল হায়না কৌরম্বা) অসিনা ফোঙদোরক্লি।

হ্যুমেন্ট রাইট কাউন্সিল মণিপুরগী সেক্রেটরি এডভোকেট রবি খান্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৯ অমদি ২১ দা পীরিবা ফন্দামেন্টেল রাইটপু খোঙগাওনবা থৌওং অসিগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্টনা বন্দ, ব্লোকেদ অমসুং জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌবা অসি অন কন্সটিট্যুস্নেল অমদি ইলিগেল হায়বা ৱাফম থম্বতা নত্তনা হায় কোর্ট কয়ানসু ৱারেপ কয়া পীখ্রবনি। মমাং চহিগী মে ৩০ দগী ষ্টেট অসিগী কেবিনেটনা বন্দ, ব্লোকেদ অমসুং জেনরেল ষ্ট্রাইক কী মায়োক্তা অনৌবা লো অমা শেম্নবা ৱারেপ লৌখ্রবনি।

মতাং অসিদা ঈরমদম মণিপুরগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা কন্সটিট্যুসনবু চেৎনা থাজবা অমদি ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ মতুং তারকপদা অদোপ্পা উপায় অমা শীজিন্নহন্নিংই হায়রি।

নোংমগী চারা তাঞ্জরিবা মীপুম খুদিংমক অমদি মহৈরোই কম্যুনিটিগী কেরিয়রদা য়াম্না চাওবা চৈথেং অমসু পীরি। নাকল অমরোমদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা বন্দ, ব্লোকেদ অমসুং জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবা উপায় শীজিন্নরকপা অসি ডেমোক্রেটিক ওইবা অচুম্বা ডিমান্দ অদু লো কোর্টতা চৎলগা ফংনবা হোৎনরকপদা মতম কয়া চঙবা অমদি শেল য়াম্না তিংবা মরমনা তঙাইফদনা বন্দ, ব্লোকেদ অমসুং জেনরেল ষ্ট্রাইককী মতেং লৌরকপনি হায়বদা লান্দে অমসুং হায়মনবা থোক্লোই। ডেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী য়ুম্বী অহুমনি হায়রিবা লেজিস্লেটর, জুডিসিয়ারি অমসুং এগজেক্যুটিবশিংগী মরক্তা অহোবা কয়া লৈবনা অশোয়বা-অৱাৎপা থাজদবা কয়া অদুনা হেনমনখিদুনা ঙসিদি পামদ্রবসু পামনা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা বন্দ, ব্লোকেদ অমসুং জেনরেল ষ্ট্রাইককী খোঙথাং লৌরকপনি।

লো কোর্টতা সিটিজেন অমগী নত্রগা ফুরুপ অমগী ফংফম থোকপা ডিমান্দ ফংনবা হোৎনবদা মতম চানা ৱায়েল ফংলক্তবগী মরু ওইবা মরম অমদি লৈবাক অসিগী লৈরিবা সুপ্রিম কোর্ট, হায় কোর্ট অমসুং সব ওর্ডিনেট কোর্টতা জজগী মশিং অশুক্কী মতিক ৱাৎপনা মীয়ামদা মতম চানা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা ঙমদ্রি হায়রি।

মণিপুর হায়কোর্টকী জজ মখা লৈফম থোকপদা জজ অনিখক্লা মথৌ পাঙথোক্লি। অতৈ সবওরদিনেট কোর্টশিংদসু জজ মশিং য়াম্না ৱাৎলিবসি গভর্ণমেন্টনা মেনশিনবীদ্রি হায়রি। নাকল অমরোমদা ইলেক্টেদ মেম্বরশিংগী মনুংদগী প্রসিডেন্ট, ভাইস প্রসিডেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর, গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টরদগী হৌরগা লোকল লেভেলগী ৱার্দ মেম্বর অমখক ফাওবা লৈখিদ্রবা নত্রগা হাংদুনা লৈবা মতমদা গভর্ণমেন্টনা য়ামদ্রবদা থা ৬ কী মনুংদা ইলেক্সন তৌদুনা ইলেক্টেদ ওইরবা অদুগী ইলেক্টেদ রিপ্রজেন্টিটিব অদুগী অহাংবা মেনশিন্নবা হোৎনৈ। সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা মখোয় মখোয়গী ওইবা রাইট তাল্লকপা মতমদা মতম চানা গভর্ণমেন্টকী লেভেলদা ৱারি শান্নদুনা সোলুসন পুবিরক্লবদি ঙসিগী মীয়াম্না গভর্ণমেন্টপু থাগৎনগনি অমদি বন্দ, ব্লোকেদ অমসুং জেনরেল ষ্ট্রাইককী ফিরেপ অসি লৌরক্লোই হায়রি।

## ষ্টডি সর্কল পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :** কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শিন্দুনা পোষ্ট কোলোনিয়েল ক্রিটিসিজম: এদৱার্দ সাইদ, গয়ত্রি চক্রবর্তি, স্পিভাক, হোমি কে ভাবা অমসুং হেনরি লুই গেটস জুনিয়রনা তম্বা খুদোল হায়বসিদা ষ্টডি সর্কল অমা ওল এসেমব্লি রোডতা লৈবা হিন্দি পরিষদতা পাঙথোকখ্রে।

ডিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাঙাংলোই ওইরিবা কে ঐচ কুঞ্জোনা হায়খি, ব্লেক কেসকা ক্রিটিক্কা নৈনবদা অমেরিকা অমসুং আফ্রিকাগা লৈনবা মরী অসিদনি। আফ্রিকাদা মীওইববু য়াম্না কা হেন্না ওৎনৈবা অদুদা য়ুম্ফম ওইবা অমনি। বৃটিশনা আফ্রিকাদগী লৌ ইখোল শুনবা মী লৈরম্মী। ইন্দিয়াদগী লৈবা অসি কঙ্গালি হায় কঙ্গালি হায়বসিদি কন্ট্রেকনি, চৎথোক-চৎশিন য়াই অমসুং পুন্সি চুপ্পা সিটিজেন ওইনা লৈগে হায়রবসু য়াই। মতম অদুদা ব্লেক কেসনা ইরল্লিবা ময়াম অসিদা অমুবা ফুরুপশিংদা তমথিনা মীনাই ওইনা শীজিন্নবা কয়া অদুদা নৈনবনি। থৌরম অদুদা কলচরেল ফোরমগী প্রসিডেন্ট প্রোফেসর হুইয়েম বেহারিনা প্রসিডেন্ট ওইখি।

## ‘ইমা কৈথেল মশক থিহনবা য়ারোই’

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :** য়াইরিপোক তম্ফা কৈথেল অমদি ন্যু মার্কেটতা য়ু পি অমসুং বিহারদগী লাকপা ময়াং নুপাশিং ইমাশিংগী মরক্তা পোৎফম ফমদুনা পোৎ য়োল্লিবা অসি মরম চাদে। নুপী-নুপা পূন্না ফম্মীনবা কৈথেল ওন্থোকখিবা য়ারোই হায়না য়েলহৌমী কনবা অপূনবা লূপ (ৱাই কে এ এল) না ফোঙদোরক্লি। কোনুং মমাংদা কৈথেল ফল্লিবা ইমাশিংগী মরক্তা নুপা ১ না পোৎফম ফমদুনা পোৎ য়োল্লম্বগা মরী লৈননা ৱাফম খরা ঙাংনখিবদা নুপা অমনা পোৎফম ফম্বী অমদা খুৎ থারকপগী ৱাফমসু লৈখি। অসিগুম্বা থৌদোক কয়া অসিনা ইমা কৈথেলগী মশক থিহন্নবগী মরম ওইরি।

## খন্ন নৈনবগী মীফম পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :** খ্বাইরবন্দ নুপী কৈথেলশিংগী ওইবা ফাইনান্সিয়েল সার্ভিসশিং লোন অমসুং ইন্সরেন্সগী ওইবা এৱেয়রনেস কেম্পেন অমা লাক্লিবা এপ্রিল ১ গী অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদা পাঙথোক্কনি হায়না খ্বাইরমবন্দ নুপী কৈথেল শিনফম অমদি শক্তম কনবা লূপকী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

খন্ন নৈনবগী মীফম অদুদা গভর্ণর নজমা হেপ্তুলানা চীফ গেষ্ট, মহুদ মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা প্রসিডেন্ট অমসুং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোওপরেসনগী মেয়র এল লোকেশ্বরনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

মীফম অসিদা আর বি আই, এস বি আই অমসুং নবার্দকী মরী লৈনবা মীওইশিংনা মখল-মখা কয়াগী ইন্সুরেন্স স্কিমগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোঙদোকপগা লোয়ননা কৈথেলগী ইমাশিংদা কান্নবা ফংহন্নবগীদমক ৱাফম কয়া ফোঙদোক্কনি হায়রি। মীফম অদুদা কৈথেল ফম্বী নুপীশিং অমদি লাইসেন্স হোল্ডরশিংনা শরুক য়াবিনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

## চীফ মিনিষ্টরনা শেংদোকফম থোকই

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) :** নোর্থ ইষ্টপু কৃষ্ণগী মতমদা কৃষ্ণনা অরুনাচল প্রদেশদগী রুকমিনি কৌবী নুপী অমদা লৌদুনা অপূনবা ওইরম্মী হায়বা ৱারোল থা অসিগী ২৮ দা ফোঙখিবা ইন্দিয়ান এক্সপ্রেসকী চেফোংদা ফোঙলকখিবা অসি লাইবক থিবনি হায়না ইন্টরনেসনল সনামহীজল ষ্টুডেন্টস এসোসিএসননা ফোঙদোরক্লি।

ইন্টরনেসনল সনামহীজল ষ্টুডেন্টস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি লৌরেম্বম কংলৈঙানবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, গুজরাটকী পোরবন্দর ডিষ্ট্রিক্টতা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা মাধবপুর ফিয়রদা ফোঙদোকপিরম্বা ৱাফমশিং অসি অকনবা মওংদা য়াজনিংদে।

চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকপীরম্বগী মতুং ইন্না মালেমদা তোমথিন ঙান্না পাল্লম্বা কংলৈপাক/ মণিপুরগী পুৱারীবু লান্না চৎখিবা য়াবগী অকিবা মীয়ামদা ফাওনরে। চহি লিশিং অনিগী মথক্তা অইবা পুৱারী লৈজরবা ফুরুপ অসিগী মমাইদা হামুক তৈশিনবা ওইনা থোক্লে। পুৱারীগী তাঙকক্তা মখল অহুম থোক্লা অমম্বা মতম ওইখিবা হায়বদি, পামহৈবা নিংথৌনা হিন্দু লাইনিং লৌশিন্দুনা চীং-তম খাইবুং-খাইবুং তাহনখিবা অমদি কংলৈপাকপু মণিপুর হায়না কৌখিবা, কুমজা ১৮৯১ গী মণিপুর অংলো ৱারদা মাইথিবা নংদুনা মীখল পোনবখিবা অমসুং নিং তম্লম্বা কংলৈপাকপু ইন্দিয়াদা ১৯৪৯ দা এনেক্সেসন তৌখিবা অসিনি। লৈবাক অসিগী অমম্বা মতম অহুম থোকখ্রবা মতুংদা অমা অমুক হাপচিল্লকপনি হায়না লৌদবা ঙমদে।

মিথোলোজিকেল ওইবা ৱারিদবু ওইরো পুৱারিগী থোকখিবা থৌদোক্তবু ওইরে, ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্তা নত্তবদা অমত্তগা অৱাং- নোংপোক্তা লৈরিবা ফুরুপ অমত্তগা মরী লৈনবগী খুদম লৈতবা অসিদা করি করম্বা মতাংদা য়ুম্ফম ওইরগা হাইখ্রিবা ৱাফমনো হায়না হংলক্লি।

মহাভারত্তা য়াওই হায়জিনবা মথোং খঙদবা ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা অর্জুন কৌবা অমগী মচা-মশুশিংনি হায়না ২০ শুবা চহি চাগী ময়াই থংবা শরুক্তা লাইরিক হৈবা শাবা মরৈবাকপু য়োল্লগা চাবা পুৱারীগী মমাই লৈম্বীরম্বশিংনা খুৎ থারম্বা অদুনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা চমমনবা অমসু লৈরিঙৈ মথকসিদা চমমনবা অমসু অমুক হন্না হাপচিল্লকপনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে হায়রি।

লৈবাক অসিগী মরমগী মরু ওইনা হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংদা মরী লৈনদবা পুৱারী তমহন্দুনা চমমনবা ফাওরকপা য়াবদগী নান্থোক্লবা হোৎনবা মতম ওইরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

করিগুম্বা লাইগী ৱারীনি মালেম অসি নুংশেম-লৈশেমলোনগী ৱারীনি হায়বা ওইরবসু কৃষ্ণনা লৈশেম-নুংশেম্বগী ৱারী লৈরবসু ঐখোয়গী থাজনবীগী মতুং ইন্নসু লৈজবা ফুরুপ অমনি হায়না ফোঙদোকপীরম্লবদি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট অসুক য়াম্না শোকল্লোই হায়রি। কষ্টমরি লোগী হেড অমা ওইনা লৈরিবা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অসিসু লুম্না লৌদুনা লৈবাক মীয়ামগী ঈহুল খঙনা ৱাফম খরা লাওথোকপীগদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা লৈবাক্কী খঙ হৈরবা মীয়াম্বু লমজিং-লমতাকপীগদবা প্রোফেসর অমসুং স্কোলরশিংনা তুমীন্না লৈথোক্লিবা অসিসু অঙকপা ফাওই।

চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু য়াম্না লাইবক থিনিংঙাইনি, মসিগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা শেংদোকফম থোকই হায়না চেরোল অদুদা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।